**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৫-০৩-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা ফীভম অসি লাকশিন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চজিংদা নৌনা শাবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গাখ্রে।

৩) বোসেমনা লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসন ঙসিদগী হৌরে, মহুৎ শিন্দুনা পারিক্ষা থাহল্লম্বগীদমক মহৈরোই ২ তান্থোকখ্রে।

৪) মনিপুরদা কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল স্ত্রাইক মীয়ামগী খুদোংচদবা য়েংলগা পুং ২৪ দা তেনশিনখ্রে। ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইরগনি।

**অমসুং**

৫) ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা মীখলগী মতম হয়েং লাউথোক্লগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্কনি খল্লুদবা চরাংনবা ফীভম অমদা লৈরি। ফীভম অসি লাকশিন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা মীয়ামগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা পুরকবসু সরকার অসিনা হোৎনরি। অসিগুম্বা চরাংনবা ফীভম অসি লৈরবসু চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তি লেপ্তুনা পায়খৎলি।

রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী জিলাগী অকাম্পাৎতা লৈবা সেয়ো ক্লব গ্রাউন্দা লুপা কোতি ২০ চংনা শাবা মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা মতম কয়াদা শান্নরোইশিংনা শেল থুম মরাং কায়দবদগী খুদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োকরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি শান্নরোইশিংগীদমক্তা সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোকপদগী ফীভম অসি খরা শাফরে।

শ্রী বিরেননা হায়- নৌনা শারিবা মিনি স্পোর্ট কমপ্লেক্স অসিগী গেল্লেরি অমা অমসুং হোকি ষ্টেদিয়মগী অকোয়বগী ফেন্সিং খানবা হোৎনরগনি।

**--সাউন্দ সি.এম-১--**

**শঙ্গাবা(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই সব-দিভিজনগী মনুং চননা লৈবা চজিংদা আর.সি.সি গেল্লেরি য়াওবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা শঙ্গাখ্রে। ফুটবোল গ্রাউন্দ অদু লপা কোতি ২.০৮ চংনা শাখিবনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা লমদমসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনমিন্নসি। মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না চংশিনমিন্নসি ।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা রাজ্য অসিগীতা নত্তনা লৈবাক্কী মহুৎশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নদা শরুক য়ারি অমদি মীংচৎ কয়া পুরক্লি। শান্নরোইশিংনা পীরিবা চাউরবা খুদোলশিং অসিবু শকখঙদুনা রাজ্য সরকারনা শান্নখোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা শান্নখোৎনবগী চাউখৎ থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। শান্নখোৎনবদা হেন্না মীৎয়েং চংদুনা চিফ মিনিস্তরস স্পোর্টস পরসনস লাইবলিহুদ গারেন্তি স্কিম য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রিবু মহাকা থাগৎখি। শান্নরোইশিংনসু স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংবু মশা মক্কীনি খন্না তরু তান্নানা থমবা হোৎনবিয়ু হায়নসু শ্রী গোবিন্দাসনা আপিল তৌরি।

**--সাউন্দ গোবিন্দাস--**

ঙসিগী থৌরম অদুদা পাৱর মন্ত্রি থোঙাম বিস্বাজিৎ, সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এশিং করাম স্যাম ,খোংবানতাবম ইবোমচা, কোংখাম রোবিন্দ্রোনচিংবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নাগালেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা শরুক য়াগদবা মনিপুর কন্টিজেন্টশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা য়াইফ মঙ্গোল পীবগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা শান্নরোইশিংনা হনবা লৈতনা হোৎনদুনা লৈবাক্কীদমক লৌরিবা থৌদাং শিংথানিংঙাইনি। মনিপুরগী শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অসি খঙদুনা কেন্দ্র সরকার অমদি রাজ্য সরকারনসু শান্নরোইশিংগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মহাকা হায়- মনিপুর অসি স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা খঙনরি। শান্নরোইশিংনা রাজ্য অসিগী অমদি লৈবাক্কীদমক লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা মনিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভার্সিতি অমা লৈহনবা ঙম্লীবনি। রাজ্য সরকারনসু শান্নরোইশিংগীদমক দিজিতেল এক্সপরিয়েন্স সেন্তর অমসুং মনিপুর ওলেম্পীয়ন পার্ক লিংখৎতুনা মখোয়বু পকিং থৌগৎলি।

গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬ শুবা অমদি গৱাদা পাঙথোকখিবা ৩৭ শুবা নেসনেল গেমসশিংদা সনাগী তকমান লৌরকখিবা শান্নরোইশিংদা সরকারগী থবক পীগনি হায়বা ৱাফম অদু অমুক হন্না ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শান্নরোইশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা শান্নরোইশিংগী পুকিং থৌগৎনবা সরকার অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হৌজিক্তি রাজ্য অসিদা শান্নরোইশিংগীদমক খুঙ্গং অমা শান্নবুং অমা হায়বা স্কিম থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট-(সি.এম)**

**বোর্দ(এল)ঃ** বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসন ঙসিদগী হৌরে, পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না পরিক্ষা থারি। পরিক্ষা অসি এপ্রিল ৮ ফাওবা চথগনি ।

পরিক্ষা অসিদা সরকারগী মহৈ লোইশঙগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং ১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ না পুন্না সেন্তর ১৫৪ পরিক্ষা থারি।

মরক অসিদা, পারিক্ষা অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সম্‌রৌদা লৈবা ব্রিলিয়ান্ত পব্লিক স্কুল সেন্তরদা মহুৎ শিল্লগা পারিক্ষা থাহল্লম্বগীদমক কেন্দিদেদ অনি তাম্থোকখ্রে। মসি বোর্দকী কন্তোল্লর ওফ একজামিনেসন্সনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

ঙসিদগী হৌরিবা ক্লাস টেনকী পারিক্ষা অসিদা থৌবাল জিলাগী ওইনা তোঙান তোঙানবা সেন্তর ১৭ তা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৪,৪৮৬ না পারিক্ষা থারি। একজাম সেন্তরশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। পারিক্ষা অসিগী ঙসি হৌবা নুমিত্তা জিলা অসিদা লৈরিবা সেন্তরশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউদি লৈতে।

জিরিবামগী ওইনসু সেন্তর অহুমদা পুন্না মহৈরোই ৫৭৭ না পারিক্ষা থারি। অপুনবা মহৈরোই ৫৮৬ এনরোল তৌবগী মনুংদা মহৈরোই ৯ দি পারিক্ষা থাবা লাকখিদে।

নোনে জিলাদসু ঙসিদগী হৌরিবা ক্লাস টেন পারিক্ষা ইংনা চিকা পাঙথোকখি। জিলা অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা সেন্তর অহুমদা পুন্না মহৈরোই ৬২৭ পারিক্ষা থানবা এনরোল তৌবগী মনুংদা মহৈরোই ২ পারিক্ষা থাখিদে। পারিক্ষা মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পারিক্ষা সেন্তরশিংদা পুসিল পর্সনেল ৫, ফ্লাইয়িং স্কুৱাটশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকখি।

সেনাপতি জিলাগী ওইনসু তোঙান তোঙানবা সেন্তর ৭ তা পুন্না মহৈরোই লিশিং ১,৭২৭ না পারিক্ষা থারি। পারিক্ষা মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা কন্তোল্লর ওফ একজামিনেসননা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না মীওই ৪ না শাবা ফ্লাইয়িং স্কুৱাটকী মীওইশিংনা পারিক্ষা সেন্তরশিং য়েংশিনখি ।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**বন্দ(এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন,(ফোক্স) মনিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ ১৩না কৌবা পুং ৪৮ গী জেনরেল স্ত্রাইক মীয়ামগী খুদোংচদবা য়েংলগা পুং ২৪ দা তেনশিনখ্রে। জেনরেল স্ত্রাইক অসি ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইশিল্লগনি। জেনরেল স্ত্রাইক অসিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখি । অদুমওইনমক, জেনরেল স্ত্রাইক অসিনা মহৈরোই য়াওনা অতৈ তঙাই ফদবশিংদদি কোমথোকখি ।

য়ু.এন.এল.এফকী পাম্বৈ কাংবুগী মীওই অহুম নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা জেনরেল স্ত্রাইক অসি লুপশিং অসিনা কৌবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা জেনরেল স্ত্রাইকমনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে।

লুপশিং অসিনা এন.আই.এনা ফাখিবা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা থাদোকবা দাবী তৌদুনা লাক্লি। খোংজং অসিনা মরম ওইরগা ইমা কৈথেল, থঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলগী দুকানশিং ফমনখিদে। পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-থৌবাল জিলাদসু থৌবাল কৈথেলদা ইমা ইবেননা লম্বী থিংবগী খোংজং চংশিনখি। ককচিং জিলাদসু জেনেরেল স্ট্রাইক অসিনা মরম ওইরগা কৈথেল, দুকান, বেঙ্ক অমদি ওফিসশিং থোংলোনখি। অদুমওইনমক, হিদাক লাংথক য়োনবা দুকানশিংদি থোং হাংখি। বিষ্ণুপুর জিলাদসু জেনরেল স্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকখি।

জিরিবামদসু জেনরেল স্ট্রাইক অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখি। জেনরেল স্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা কৈথেলশিং হাংখিদে। জিরিবামদগী চৎকদবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং মথৌ লেপখি। অদুবু পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউদি লৈতে।

তোঙান তোঙানবা লুপশিং অসিনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- জেনরেল স্ট্রাইক অসি হন্দোক্লবসু এন.আই.এনা ফাজিনখিবা মীওই অহুম অদু সর্তা অমত্তা য়াওদনা থাদোকহন্নবা হয়েং তোঙান তোঙানবা তম্পাক্কী মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম চথুবা অমদি মৈরাগী রেল্লি চৎনবা লুপশিং অসিনা আপিল তৌরি।

**নোনে(এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী মকুৱাই (অতেংবা)খুলদা অসাম রাইফলসনা মরম চাদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি নোনেগী লোংমাই বজারদা টোতেল সটদাউনগী খোংজং চংশিনখ্রে। রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুর (আর.এন.সি.এম)না কৌখিবা খুদক্কী ওইবা টোতেল সটদাউন অদুগা মরী লৈননা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্তনা হায়- তমেংলোং জিলাগী অতেংবা খুলদা ঙরাং অসাম রাইফলসনা চথুখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অদুবু য়ানিংবদা ফোংদোক্তুনা সটদাউনগী খোংজং অসি চংশিনবনি। অসাম রাইফলসকী থৌওং অদু মীয়ামা কন্দেম তৌই।

**ওপরেসন(এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুন্বগী থবক চথখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জি.সোংলুং অমসুং কৈথেল মান্মী পুসিল ষ্টেসনগী মনুং চনবা লোংজাং খুলগী অকোয়বা মফমশিংদা পুলিস অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। অদুমওইনমক, মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী মোইরাং পুসিল ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈজাংলোক, খোরেনতাক্তসু এরিয়া দোমিনেসনগী থবকশিং চথখি। লোয়ননা চুরাচান্দপু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনসু এরিয়া দোমিনেসগী থবকশিং লৌখৎতুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।

**সিপিআইঃঃ** কম্ম্যুনিস্ত পার্টি ওফ ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি অদুগা হৌজিক হৌজিকা এ.আই.টি.য়ু.সি মনিপ্রগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম সোতিন কুমার সিংহবু লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কেন্দ্রদা দল অসিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসি সি.পি.আইগী ঙরাং ফমখিবা নেসনেল একজিক্যুতিব মীফমনা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

**সেমিনার(এল)ঃ** ভিলেজ কাউন্সিল লোংমাই এরিয়না শিন্দুনা দিভলপমেন্ত অন্দর দি মনিপুর ভিলেজ ওথোরিতি ইন হিল এরিয়াস এক্ট ১৯৫৬ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্না নৈনবগী ফীভম অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট-থ্রি মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হায়কোর্ট ওফ মনিপুরগী উকিল দানিয়েল রামসন অমদি সোসিয়েল এক্তিবিস্ত অমসু ওইরিবা লো এক্সপার্ট রামথিং কছারনা অখঙ অহৈ ওইনা ৱা ঙাংখি।

মীফম অদুদা ভিলেজ ওথোরিতিগী চিয়রমেন, সেক্রেটরি, ধর্ম্মগী লুচিংবশিং য়াওনা লোংমাই এরিয়াদা লৈরিবা সি.এস.ওগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**তোতি(এল)ঃ** ইরিলবুং ৱাটর ত্রিটমেন্ত প্লান্টগী ঈশিং লৌফম ওইরিবা ইরিল তুরেলগী ইমা কা হেন্না নেমথাখিবনা মরম ওইদুনা ৱাটর ত্রিটমেন্ত প্লান্ট অসিনা কোনবা মফমশিংদা মতম খরা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

অমরোমদা, চিংঙা ৱাটর ত্রিটমেন্ত প্লানগী ইন্তেক পাইপ লাইনশিং শেমগৎ শাগৎপনা মরম ওইবনা প্লান্ট অসি মতম খরা মথৌ তৌহন্দনা থম্লগনি হায়রি। মরম অদুনা শেমগৎ শাগৎলিবা অসি লোইদ্রিবা ফাওবা ত্রিটমেন্ত প্লান্ট অসিগী কঞ্জুম্মরশিংদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না পী.ঐচ.ই.দি মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**চান্দেল(এল)ঃ** নাগা ষ্টুদেন্স ফেদরেসন(এন.এস.এফ)গী অনিরক শুবা ফেদরেল এসেমব্লি ঙসি চান্দেল জিলাগী মোনশাং পন্থা খুলদা পাঙথোকখ্রে। মোনশাং ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ননা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদুদা এন.এস.এফকী লুচিংবশিং , ফেদরেতিং য়ুনিট অমদি সবওর্দিনেট বোদিশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা লোক সভা মীখলগী মতম হয়েং লাউথোক্লগনি। মীখলগী মতম অসি হয়েং নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা ন্যু দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাউথোক্কনি। লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকপগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য খরাগী বিধান সভা মীখলগী মতমসু লাউথোক্কনি। হৌজিক চৎলিবা লোক সভাগী মতম জুন ১৬ তা লোইগদবনি। ইং ২০১৯ দা লোক সভাগী মীখল এপ্রিলদগীনা মে ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোকখি।

কুমসিগী মীখল অসিদসু হায়রিবা মতম অসিমক্তদা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কনি। হৌখিবা লোক সভাগী মীখলদা অপুনবা সিট ৫৪৩ গী মনুংদা বি.জে.পিনা সিট ৩০৩ ফংদুনা মপুং ফাবা মেজোরিতি ফংখিবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদসু বি.জে.পিনা অপুনবা সিট ৫৪৩ গী মনুংদা ৩৭০ ফংগনি হায়না পারি। হৌজিক ফাওবদা সাসন পায়রিবা দল অসিনা মখোয়গী মীরেপ ২৬৭ কী মীং লাউথোকখ্রে। অদুগা কংগ্রেসনা হৌজিক ফাওবদা মীরেপ ৮২ গী মীং লাউথোক্লে। লেফট, ত্রিনামুল কংগ্রেস,আম আদ্মী পার্টি অমসুং অতৈ দলশিংসু মীখল অসিগীদমক মখোয় মখোয়গী মীরেপশিং লাউথোকপা লেপত্রি।

অমরোমদা, নৌনা খল্লবা ইলেক্সন কম্মীস্নরশিং - গ্যানেস কুমার অমদি সুখবির সিংহ সন্ধু ঙসিদগী থবক পায়বা হৌরে। মখোয়না থবক পায়রকপদা সিভিল এক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমারনা তারমা ওকখ্রে। মখোয় অনিবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইবা সেলেক্সন পেনেল অমনা কুপা খন্নরবা মতুংদা ঙরাং খনখিবনি।

**ই-ভহিকলঃ** কেন্দ্র সরকারনা ই-ভহিকলগী অনৌবা থৌশিল অমা হৌদোক্লে। মসিনা লৈবাক অসিদা ই-ভহিকল শারিবা ইন্দস্ত্রিজশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংগনি। লোয়ননা ই-ভহিকলকী ইন্দস্ত্রিজশিংদা শেল থাদবগী চাংসু হেনগৎহল্লগনি। মেক ইন ইন্দিয়া হেন্নো মপাঙ্গল কল্হনবগা লোয়ননা থৌশিল অসিনা খ্বাইদগী নৌবা তেকোলোজিম মীয়ামদা পীবা ঙম্লগনি হায়রি। মসিনা মীয়ামগী মশা মউ ফনা থন্বতা নত্তনা শেলগী চার্দিংসু নিংথিনা হন্থহনগনি।

মীরৈবাক্তগী শুংতোকত্রিবা থাও পুশিল্লকপগী চাং হন্থহন্দুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবত্র নত্তনা থৌশিল অসিনা ঈশিং নুংশিৎ শেংহন্দনবসু নিংথিনা হন্থহনবা ঙম্লগনি। মসিগীদমক তোঙান তোঙানবা কম্পানিশিংনা লুপা কোতি লিশিং ৪,১৫০ দরকার ওইরি। ঈ-ভহিকল মরাং কায়না পুথোকনবা হোৎনবদা কম্পানিশিংদা চহি ৩ রোম চংলবা য়ারি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি - প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসি চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। অসামগী বারপেতাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়- কেন্দ্রগী বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অসিনা তৌগনি হায়না লাউথোকখিবশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লে। মসিনা মরম ওইদুনা ইং ২০২৭ ফাওবদা লৈবাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী শেল থুমগী ফীভম ফারবা অহুমশুবা লৈবাক ওইবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা চাউখৎলকপদা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই। মরম অসিনা খোংজেল অসি মখা তানা য়াংশিলহন্নবগীদমক এন.দি.এদা মীয়ামা ভোট পীবগী তঙাই ফদবা লৈ। শ্রী রাজনাথনা রাজ্য অদুগী কোক্রাজারদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু ৱা ঙাংখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অম্‌ক --**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা ফীভম অসি লাকশিন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চজিংদা নৌনা শাবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গাখ্রে।

৩) বোসেমনা লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসন ঙসিদগী হৌরে , মহুৎ শিন্দুনা পারিক্ষা থাহল্লম্বগীদমক মহৈরোই ২ তান্থোকখ্রে।

৪) মনিপুরদা কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল স্ত্রাইক মীয়ামগী খুদোংচদবা য়েংলগা পুং ২৪ দা তেনশিনখ্রে। ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইরগনি।

**অমসুং**

৫) ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা মীখলগী মতম হয়েং

লাউথোক্লগনি।

**--- পাউ লোইজরে---**